উরিষাদা লেন্দমাইন পোকখায়রকপদা বি এস এফ ২ শোক্লে

ভুবনেশ্বর,এপ্রিল ২৮ ঃ উরিষাগী মালকানগিরি দিষ্ট্রিক্টতা নেক্সেলনি চিংনবশিংনা ঙসি লেন্দমাইন্দ বোম পোকখায়হল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী পার্সোনেল অনি শোকখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী টিম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী জঙ্গলগী লমদমদা এন্টি নেক্সেল ওপরেসন চত্থখি। লোয়নন্না আইননা য়াদবা কাংবুশিং অদুগা খুৎ থোক্লখি হায়রি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা ফুমদুনা থল্লম্বা লেন্দমাইন্দ অমা পোকখায়রকপদা বি এস এফ কী পার্সোনেল অনি শোকহনখি। থৌদোক অদুদা বি এস এফ কী এসিস্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমা অমসুং জৱান অমা শোকহনখি হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা শোক্লবা পার্সোনেলশিং অদু লান্মীগী হেলিকোপ্টরনা মফম অদুদগী থাংদোক্তুনা লায়েংনবা পুখ্রে হায়রি।

ষ্টেটকী মপুং ফাবা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা মেজর ভরাদরাজনগী হকচাং পোৎলোইখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ২৮ ঃ কাশ্মিরগী সোপিয়ান লমদমদা টেরোরিষ্টশিংগা ইরাই নুমিত্তা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা মেজর মুকুন্দ ভরাদরাজনগী হকচাং ঙসি ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা পোৎলোইখ্রে।

টামিল নাদুগী টি কে এম চিনায়া অমসুং সেনিয়ার ওফিসিয়েল কয়ানা লৈখিদ্রবা লান্মীগী মীওই অদুদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা মেজর অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা মেজর অদুগী হকচাং অদু কাশ্মিরদগী ঙরাং নুমিদাং চেন্নাইদা পুরক্তুনা মীয়াম্না থৌনা ফবা মীওই অদুদা অরোইবা ইকায় খুম্নবা উৎননবগীদমক ওফিসার ট্রেনিং একাদেমিক হোস্পিতালদা থমখি।

ষ্টেট অদুগী কে রোসায়ানা ফোংদোকখিবদা, মেজর অদুনা লৈখিদবদা থম্মোয়দা খাংঙমদবা অৱাবা অমা ফাওরি।

লৈবাক অসিদা মরুওইনা ইন্দিয়ান আর্মিদা থৌনা ফরবা নহা ওইরিবা ৱাশক চেৎপা ওফিসার অমা মাংজরে। মহাক লৈখিদবা অদু লৈবাক অসিগী ওইনদি চাংদমনিংঙাই লৈতবা অমাংবা অমনি হায়না ঙসি পাংথোকখিবা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফমদা ফোংদোকখি।

চিফ মিনিষ্টর জয়ললিথানা ঙরাং ফোংদোকখিবদা, ভরাদরাজন লৈখিদবদা অৱাবা ফাওই। লৈখিদ্রবা মেজর অদুগী কায়নবগী অৱাবা নংহৌরবা ইমুংদা লুপা লাক্ষ ১০ পীরগনি হায়না লাওথোকখি।

ইরাই নুমিত্তা কাশ্মিরগী সোপিয়ান্দা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা মেজর ভরাদরাজন অমসুং জৱান অমা শিখি।

শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৫৫ রোম চৎলগা লৈবা সোপিয়ানগী করেৰা মালিনোদা সিকুরিটি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থখি। মদু মফম অদুদা মিলিটেন্ট খরা লৈরে হায়বা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী চত্থখিবনি। ইন্টেলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না হায়রিবা মফম অদুদা লোকেল মিলিটেন্ট ২ অমসুং ফোরেন মিলিটেন্ট ১ লৈরেহায়না খঙহল্লকখি। ইরাই নুমিত্তগী হৌখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা লোয়শিনখি লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী অশিবা হকচাং অহুমসু ফংখি হায়রি।

অচুম্বদু খঙমিন্নসি

কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –২৮

ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিন্থা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।

থিংবাই শেলহোংবা *ঃ (খৃঃ ১২৪২–১২৪৭) ঃ খৃষ্টাব্দ ১২৪১ দা মৈদিংঙু থিংবাই শেলহোংবনা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা মৈতে লৈবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক মতিক মথৌনা লৈবা নিংথৌ ওইরমদে। মহাক্না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপা চহি মঙা শুরকপদা মমা তিন্নদবা লৈমা নিংথৌ পোকপীনা পোকপা মনাওনুপা পুরান্থাবনা অঙম অথৌশিংগা লৌতুনদুনা নিংথৌ শেন্নবা লান হৌরক্তুনা মৈদিংঙু থিংবাই শেলহোংবা খুমন লৈবাক্তা চেনখি।*

খুমোম্বা (খৃঃ ১২৬৩–১২৭৮) ঃ *মৈতৈগী অঙম্বনা মচানুপী মশক য়েংগে কৌথোরকউ হায়বদা খুল্লাকপনা মতাশিংগা চীংদা পাম হায়ইবা চৎখি খুমই। নোংমা লাক্কে নচানুপী নয়ুমদা থনম্মু হায়রম্লগা মৈতে অঙম্বা হনখি। মৈতে অঙম্বনা অমুক লাক্ত্রিঙৈদা মচানুপীবু খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবদা থাজরম্মী। পাউ অসি মনাইশিংনা তমদুনা তাবদা মৈদিংঙু খুমোম্বনা খেন্দ্রে নিংথৌ হাওতক লাইবগা শকখঙ মায়খঙনসি মরুপ শান্নসি নতে মনাও মৈতে লৈবাক্তা লাকউ হায়না চাক কৌরম্মী।*

– মথং মথং

সেক্যুলারিজমগী মতাংদা মোদিনা ৱা ঙাংবগী দরকার লৈতে ঃ অব্দুলাহ

শ্রীনগর, এপ্রিল ২৮ ঃ জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চিফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুলাহনা সেকুলরিজমগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম্বু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগা ঙরাংদগী চিনগী লান অকনবা মওংদা শোক্লরক্লি।

নৌনা এটেক চত্থবা অমা ওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চিফ মিনিষ্টর অব্দুলাহনা ঙসি হায়খিবদা, নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কীদমক (অব্দুলাহ) সেক্যুলরিজমগী সার্টিফিকেট পীবগী দরকার ওইদে।

অব্দুলাহগী অপোকপা নেসনেল কনফরেন্সগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা ফারুক অব্দুলাহনা ঙরাং ফোংদোকখিবদা, মোদি শৌগৎপশিং সমুদ্রদা চোংথৌ, লৈবাক অসিদা কাংলুপকী ওইবা ৱাখল শাগৎলক্লবদি কাশ্মির ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈরোই হায়রি।

ফারুক অব্দুলাহনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মহাক্না ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু বি জে পি গী লুচিংবশিং মরুওইনা গিরিরাজ সিংহনা লৌশিনগদবনি। ৱাফম অদু গিরিরাজনা মোদি শৌগত্তবা মীওইশিং পাকিস্টান্দা চৎখিদবনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু শিংনদুনা ফোংদোক্লকখিবনি।

ঙসি অয়ুক বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইরিবা মোদিনা অকনবা মওংদা ফোংদোক্লকখিবদা, ডা. ফারুক অব্দুলাহ লোয়ননা লৈবাক অসিদা সেক্যুলরিজম্বু শিংনবা অমদি মাংননবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদু অব্দুলাহ অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিংনি হায়না ফোংদোরক্লি।

বি জে পি দি সেক্যুলর ওইরি। ৱাহৈখক্তমক হায়বা নত্তে। মখোয়না ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু কন্সটিট্যুসন্দা য়াওরিবনি। সেক্যুলরিজম হায়বা অসি মখোয়গী ঈনি হায়না ফোংদোরক্লি।

মোদিদা ভোট পীগদবা মীওইশিং সমুদ্রদা ঈরাক্লহনগদবনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকপগী মহুৎ মহাক মশা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংদা হন্না য়েংউ। লোয়ননা মিংসেল মমাংদা লেপ্তুনা কাশ্মিরদা ওইরিবা অমদি মশামক্কী ফিভম য়েংজৌ হায়খি।

লাউনবগী শরুক অমা ওইনা অব্দুলাহনা অমুক হায়, মোদিগীদমক ইতিহাস করম্না লৈগদৌরিবনো। মহাক্তি য়ৈখায় থিনগাইবগী ইতিহাস লৈবা মীওইনি। অব্দুলাহগী ইমুং মনুংদা নত্তনা কাশ্মির তম্পাক্তা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক সেক্যুলরিজমগী সার্টিফিকেট মহাক্না পীবগী দরকার ওইদে। মঙোন্দগী সেক্যুলরিজমগী সার্টিফিকেট পীরক্লবদি মহাক্না খল্লি, নুমিৎ অদুমক্তদা মহাক ফম থাদোক্কনি।

উত্তর প্রদেশতা দুন এক্সপ্রেস ট্রেন টালিদগী নাম্থোকখ্রে, মরি শোক্লে

নিউ দিল্লি,এপ্রিল ২৮ ঃ উত্তর প্রদেশকী ফাইজাবাদ মনাক্তা লৈবা জফরগঞ্জ ট্রেন ষ্টেসন মনাক্তা দুন এক্সপ্রেসকী স্লিপর বোগি মরি অমসুং লগেজ কোচ অমা তালিদগী নাম্থোকখ্রে।

হায়রিবা মফম অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং ওইরিবা লক্ষনৌদগী কিলোমিটর ১২৫ চৎলগা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই মরি অশোক অপন নংখ্রে হায়না রেলৱেজ ওথোরিটিনা ফোংদোরক্লি।

অৱাবা নংলবা পেসেঞ্জরশিং অদুবু মতেং পাংননবগীদমক এম্বুলেন্স অমদি অহেনবা কোচশিং থাজিনখ্রে।

দুন এক্সপ্রেস হায়রিবা ট্রেন অদু উত্তরখন্দগী কোনুং ওইরিবা দেহরাদুন অমসুং কোলকতা চৎকদবা ট্রেননি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদু লায়েংনবগীদমক মনাক নকবা হোস্পিতালশিংদা পুখ্রে হায়রি।

সবনম হসমিনা নরেন্দ্র মোদিদা এটেক চত্থখ্রে

লক্ষনৌ, এপ্রিল ২৮ ঃ সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট সবনম হসমিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা রাই বরেলি্দা পাংথোকপা মীফম অমদা বি জে পি বু মরাল শিখ্রে। লোয়ননা মহাক মশামক অমসুং মহাক্কী লোয়নবাশিংনা নরেন্দ্র মোদিগী গুজরাট চাউখৎলে হায়বা মোদেল অদুগী মায়োক্তা চেরোল কয়া য়েন্থোকখ্রে।

হসমিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মহাক অমসুং মহাক্কা লোয়নবা প্রতাবসিং নেগিদা বি জে পিগী সপোর্টর ৩০ মুক্লা কিহনবগী থবক চত্থরকখি।

লোয়ননা চেরোল অদু য়েন্থোকপা লেপকদবনি হায়না খঙহল্লকখি হায়রি। মদু জনবাদি ভিচার অন্দোলন ভারত হায়বা লৈবাক অসিগী এক্টিভিষ্টশিংনা চত্থবা মীফম অমদা থোকখিবনি।

ফোরম অদুনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০০ খনগত্তুনা অঙকপা ফংলবা গুজরাটকী মোদেল হায়বা অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা কেম্পেইন চত্থগনি হায়রি।

ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদু গদাগঞ্জ পুলিস ষ্টেসন্দগী মিটর ১০০ রোমতমক চৎলগা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি। লাইবক ফবদি থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নিংখিদে হায়রি।

হসমিনা হায়,অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না য়েন্থোক্লিবা চেরোলশিং অদু লাক্তুনা পুখিবগা লোয়ননা মখোয়গী গাড়ীশিং অদু মৈ থাদোক্কনি হায়না কিহল্লমখি হায়রি।

লাকখিবা মীওইশিং অদুনা অকাম্পেৎ ঙাংদুনা কিহল্লমখি। লোয়ননা মখোয়বু ইজ্জৎ মাংহনগনি হায়নসু ফোংদোক্লমখি হায়রি।

থৌদোক অদু নিংবা কায়নিংঙাইনি। বি জে পি না তৌরিবা অদু করিনো হায়বা খঙজদ্রে। মোদিনা গুজরাট মোদেল হায়না চাউনা ঙাংলি। অদুম ওইনমক মখোয় করম তৌনা হিংগনি হায়বদু খঙদে। অদুগুম্বা থৌওং অদুনা করি ফল লাক্কনি হায়বদুসু নিংশিংদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হসমিনা গদাগঞ্জ পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট অমা তৌখ্রে। অদুম ওইনমক ষ্টেসন অদুনা এফ আই আর অমদি লোঞ্জ তৌখিদে হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না হসমিদা এটেক চত্থখিবা লৈতে। মহাক্না চেরোল অদু য়েন্থোকপা মতমদা মী চিল্লবা কৈথেল অদুদা তিল্লম্বা মীয়ামগা য়েংনবা খরদি থোকখি। মফম অদুদা ভাব তান্নদবদগী অপিকপা থৌদোক অমদি থোকখি।

হসমিনা চেরোল অদু য়েন্থোকপা মতমদা মীয়াম হুপচিল্লকখি। মীয়াম অদুনা খনখিবদি, মহাক্না কনাগুম্বা পার্টি অমগী ভোট খোন্নিবনি হায়না লৌখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরগী ৱাখল মান্নরক্তবনা মরম ওইরগা মহাকপু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হায়রকপা লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা য়েংনবা অদু থোকখি। অদুম ওইনমক পুলিসকী ফ্লায়িং স্কৱাদনা থুনা চংশিন্দুনা ফিভম অদু লাকশিনখি হায়না পুলিসকী ওফিসার অমনা ফোংদোরক্লি।

ওইখিবা ফিভম অদু য়েংলগা পুলিস ওফিসার অদুনা এফ আই আর লৌখিৎখিদে। তুংদা হসমিনা মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদু হন্দোকখি। অদুম ওইনমক হসমিনদি মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদু ৱিথদ্রো তৌবা লৈখিদে হায়না ফোংদোরক্লি।

সোনিয়া গান্ধীনা দলিটশিংবু ইকায়বা পীবনি মহাক্না নত্তে হায়না রামদেবনা ফোংদোরক্লি

কন্গ্রা,হিমাচল প্রদেশ, এপ্রিল ২৮ ঃ উত্তর প্রদেশ অমসুং হিমাচল প্রদেশতা ভোট খোম্লগী থবক থৌরমশিংদা অথিংবা থমখ্রবা যোগ গুরু রামদেবনা হায়, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা দলিটশিংবু ইকায়বা পীরে। মহাক্না নত্তে হায়রি।

কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি হায়বগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না মহাকপু য়েংশিনবগী থবক চত্থরি।

শক্তি লৈরবা কম্মিসন অদুনা ফোংদোকখিবদা, কনাগুম্বা মীওই অমগী পার্সোনেল লাইফতা এটেক চত্থবা হায়বদু দন্দি ফংনিংঙাইনি। লোয়ননা লমদম অসিগী নুংশি চান্না কাংলুপ খুদিংমক হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অকায়বা পীবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

চহি ৪৩ শুরবা রামদেবনা মমাং চয়োলদা মীখলগা মরী লৈননা লক্ষনৌদা পাংথোকখিবা রেল্লি অমদা রাহুল গান্ধীনা দলিটশিংগী ময়ুমদা চৎখিবা অদু হনি মুন অমসুং পিকনিক চৎপনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু মায়কৈ কয়াদগী দলিটশিংগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফমনি হায়না ফোংদোরক্লরক্লি।

রামদেবনা বি জে পি গী ভোট খোম্বা ওইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু লান্না লৌরে। উত্তর প্রদেশকী অমেথিদা লোক সভা মীখল থেংনরিবা রাহুল গান্ধীনা দলিটশিংগী য়ুমদা চৎখিবা অদুগী মতাংদা বি জে পি না অকনবা এটেক চত্থদুনা লাকখি।

অদুগুম্বা ৱাফম অদুদা গুরু রামদেবনা মখা চত্থদুনা এটেক চত্থখি।

ঙসি পঞ্জাবতা পাংথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা রাহুল গান্ধীনা ফোংদোকখিবদা, বি জে পি গী নরেন্দ্র মোদিনা মঙোন্দা তত্তনা করেম্নরি। মদু মহাক্না দলিটশিংগী য়ুমদা চৎলুবা অদুগী মতাংদনি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা বি জে পি না তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্তুনা মরাল শিনবা হোৎনরি।

নরেন্দ্র মোদিনা দলিটশিংগী য়ুমদা চৎখিবা লৈতবরা মদু নীংশিংবা থোক্রে। অদুম ওইনমক নরেন্দ্র মোদিনা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওই অমা ওইরিবা অদানিগী য়ুমদা চাক চাখিবা অদুদি খঙই হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিগী চিফ কেম্পেইনর ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা বি জে পি বু মরাল শিরদুনা হায়, বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী অশেংবা মচু অদু উথোক্তুনা শেল খ্বাইদগী হেন্না পায়রবা অদানি গ্রুপকা মরী লৈনৈ।

মদুনা মরম ওইরগা মরিরক শুবা ওইনা মোদিনা গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর ওইবা ঙমখিবনি। শেঞ্জাও পায়বশিংদা শৌগৎপা হায়বদু বি জে পি গী তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরি। মোদিগী গুজরাট মোদেল হায়বদুনা প্রমান তৌরে। মদুদি, মহাক্না শক্তি লৈবা লুচিংবশিংবু সেবা তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী শেল থুমগী ফিভমদা তম্বা ঙমদবা অমা ওইহল্লি হায়খি।

95 HP গী জেনরেটর অমা য়োঞ্জরি

৯৫ হোর্স পৱারগী রুস পুন ৬ ৱাই বি জেনরেটর (আর্মিচর ৮৫.৫) অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্নীবা মীওইশিংনা মখাগী থিকানা অসিদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু।

Manager,
Sanaleibak Daily
Contact No. 8414983727.

SL/B

KIME TUTORIALS

Regd. No. : 456/M/SR/2010

MtG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE

Class XI Foundation Course, 2014 — Classes Starting on : April 2014
Class XII Foundation Course, 2014 — Classes Starting on : April 2014

Special Features :
- Printed probable questions & answers
- Chapter wise well planned Printed study materials
- Regular test Series
- Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS